ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯱꯳, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯰꯸ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, জুলাই ১৩, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ১০৮শুবা মশীং

# মণিপুরগী সিনেমা হোলশিং

## য়োকখৎপীররোইদ্রা, শিজখ্রসনু হায়ব্রা

হৌজিক্কী মীরোলসিদা ফিল্ম নৎত্রগা সিনেমা হায়বসিবু অমুক হন্না শন্দোক্না হায়রুবা নৎত্রগনা তাক্লুবগী মথৌ তাখিগদ্রা, মসিগী তঙাইফদবা লৈখিগদ্রা? মাস কম্যুনিকেসনদা ফিল্ম/সিনেমানা মপূং ওইবা থৌদাং লৌরি। তশেংনমক ফিল্ম/সিনেমাবু ইনফোর্মেসন এজেন্সী ওফ লার্নিংগীসু মরু ওইবা পাম্বে অমনি হায়না হায়রবা ফাওবদা হেন্দোক্না য়ারবনি। হায়সু হায়নরিবনি। মরম পূম্নমকশিং অসিনা লৈবাকসিগী ষ্টেট অয়াম্বদা ফিল্মবু মরু ওইবা ইন্দষ্ট্রি অমনি হায়দুনা ফাওবা লাউথোক্তুনা লূম্না লৌনরিবনি। চাওখৎনবা মথৌ তাবা থবক কয়া পায়খৎনরিবনি। মস্বাইসি য়ৌরকপদদি অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা ইন্দষ্ট্রি ওইনা ফাওবা লৌনরবা ফিল্ম/সিনেমা উৎনবা হোল নৎত্রগা হাওস হায়বসি য়াওদবা য়ারক্তে হায়বসি মশানা তারবা ৱাফমনি। মসিগীদমক ষ্টেট অয়াম্বদা সিনেমা হোল/হাওসশিং মতমগা চুনবা থাক্তা মরী লৈনবা মচাকশিং পুমশু শুহল্লগা শেমগৎ-শাগৎনরিবনি, থম্নরিবনি। অদুবু মতাংসি য়ৌরকপদা হৌজিক মণিপুরগী সিনেমা হোলশিংনা ওইরিবা ফীভমসিদি চুম্নতগী কপনীংবা খক্তদগী হেন্দোরক্তুনা ও খোংনা কপনীংবা হায়বদুগী ফীভমদা লৈরে। ঙসিদগীনা চহী ২২ রোমগী মমাঙ অদুঙৈ কুমজা ২০০০ ফাওবদা মণিপুরদা সিনেমা হোল ৭৮ লোম লৈরম্মী। হোলশিং অদু মায় পাক্না য়ং-য়ং লাউনা চলাইরম্মী। য়ামখ্রবা সিনেমা হোলশিং অদুনা মীওই কয়াদা এমপ্লোইমেন্ট পীরম্মী। ফিল্মগী প্রোদ্যুসর য়াওনা ফিল্ম পুথোকপদা মরী লৈনরিবা মীওই পূম্নমকপুসু য়োকখৎলম্মী। মণিপুর লৈঙাক্তসু চহীদা লুপা ক্রোরগী মথক্তা ইনকম লাকহল্লম্মী। হৌজিক ফাওবদা মণিপুর লৈঙাক্না ফিল্মবু ইন্দষ্ট্রি অমনি হায়দুনা নোটিফাই তৌদ্রগসু তৌরম্বা য়াবগী চপ চাবা ফিভমশিং হেন্দোক্না লৈখ্রবনি।

অদুবু হৌজিক্তি করি শারে? অপূনবা সিনেমা হোল ৭৮ লৈরম্বগী মনুংদা চাং নাইনা ফিল্ম/সিনেমা উৎলিবা হোল শুপ্নতগী ৭/৮ খক্তা ঙাইশিল্লক্লে। সিনেমা হোল অয়াম্বা স্কুল/কোলেজশিংদগী হৌরগা দুকান, গোদাউন, শোপ্পিং মোলনচিংবা ওন্থোক্নরকপগা লোয়ননা অতোপ্পা শেন্দাল লম্বীশিংদা শীজিন্নরক্লে। হোয়, মণিপুরগী সিনেমা হোলশিংনা শিথরক্তুনা ঙসিগী ফীভমসি য়ৌরকপগী মরম ময়াম শোয়দনা লৈগনি। মরম লৈতনা শক্তমসিদা ওন্থরকপা য়ারোই। মরমশিংগী মনুংদা হান্নদগী সেল্ল্যুলোইদ ফোর্মেটতা পুথোক্নরম্বা ফিল্মশিং দিজিটেল ফোর্মেটতা পুথোরকপদগী মীয়ামদা য়ামখিদ্রবা অপীকপা শেল খরদা ফিল্মশিং য়েংবা ফংনরকপা, সোসল মীদিয়ানা খম থেংনা চাওখৎলকপদগী মসিগী মরু ওইবা প্লেটফোর্মশিং ওইরিবা য়ুট্যুব, ফেসবুক অমসুং ৱাটসএপনচিংবদা য়াম্না লায়না ফিল্মশিং য়েংবা ফংনরকপা, সিনেমা হোলশিংদা য়ৌরক্ত্রিবা ফিল্ম ফাওবা অপীকপা য়ুট্যুব চেনেলশিংদগী দাউনলোদ তৌরগা য়েংবা য়ারকপা অমসুং হান্নদগী লৈরক্লুবা সিনেমা হোলশিং মতমগা চুনরক্তবনচিংবসু ওইরম্বা য়াই। অদুবু সোসল মীদিয়াদা চাওখৎলক্লিবা অসিগুম্না সিনেমা হোলশিংগী ফীভমসু চপ মান্ননা ফগৎহল্লগা অনীমক থোং মান্ননা চাওখৎহন্দুনা পুল্লপ চাওখৎমিন্ননবা হোৎনবিফম থোক্তব্রা? মসিদি নত্তদনা অকক্লবা চহী মতাংগী মীওই খরদংনা শীজিন্নবা য়ুঙৌবুদি থেঞ্জাং কয়ারক্তা লাইসেন্স পীদুনা শুংহল্লনি, মপান্দা থাদোক্লনি, য়ুঙৌগী মহুক্তা য়ুঙাং ওইনা পীথক্লগনি হায়দুনা তেমশিংনদুনা লৈ। থবক ওইনা ওন্থোকপসু ঙমদে। অদুবু নুপী অঙাং, অহল খাক্তনা চহী তাঙ্কক খুদিংমক্কী মীওইশিং পূন্না য়েংমিন্নবা য়ারবা ফিল্মদদি থৌশাদে। মসিগী ফীভম ফগৎলক্নবা হোৎনদে। থৌওংসিবু চুম্লিব্রা হায়বনি। মসি তৌনু, চুমদে। মণিপুরগী সিনেমা হোল পূম্নমক খাঙেনফমদা শঙ খন্দুনা থম্লগা ফিল্ম ফেষ্টিবেল তোয়না পাঙথোকপা, আর্টিষ্টশিংদা তেংবাঙ পীবনা কান্নগদবা মান্দে। ফিল্মবু ইন্দষ্ট্রিনি লাউথোক্লগা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পন্থদনা পায়খৎলু।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৫

১) **"তনৌ তনৌবী"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **"দ গাইদ: লমজিংবা"** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবা করি লাইরিক্তগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

৩) **"শাবন য়ূম্ফম"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৪) **"শোল্লবা কোকসিদা পুবদি ঙমজদা/পেনবা নাইদনা থকচিল্লুরে/নঙগী মায়থোঙগী কল্লবা য়ুগী নেশা।/অহিং চূপ্পা খাঙজে চৈনা, নীংজরুবগী/হন্দোক্তুনা/লাঞ্জখিদবা চীনসিদগী/নঙগী নমিং/লেপ্পা লৈতা।"** মণিপুরগী শক্লাইরবা কবি অমগী শৈরেংনি। কবি অসি কনানো, মহাক্কী করম্বা লাইরিক্তা য়াওবা করি মমিং থোনবা শৈরেংনো?

৫) **"নূর বেগম"** হায়বসি কনানা ইবা করম্বা মখলগী লাইরিকনো?


মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# মোৎলবা ঈশিংদগী অরূম্বা ধাতুশিংবু পাম্বীশিংগী লেমহৌখাকশিং শীজিন্নদুনা লৌথোকপা

**সাইন্সকী খোঙচৎ**

**কুঞ্জো নাওরেম**

ঈশিং মোৎশিল্লকপা হায়বসি মালেমগী ইকোসিষ্টমদা শাথীনা শোকহল্লিবা পোল্যুসন অমনি। ঈশিং মোৎশিল্লকপা অসিনা মরু ওইনা ঈশিংবু মতিক চানা শেংদোক-খোত্তোকপা তৌদবা মফমশিংদা মী মিলিয়ন কয়াগী পুন্সিদা তেমশিংনরি। খনিদগী মিনরেলশিং লৌথোকপা, ইলেক্ট্রোপ্লেটিং অমসুং টেক্সটাইল ইন্দষ্ট্রিশিংগুম্বা কল-কারখানাশিংদগী থাদোরকপা অমোৎপা ঈশিংদা য়াওরিবা অরূম্বা ধাতু (হেভি মেটল) শিং অসিসু মখোয়সিগী মনুংদা অমা ওইরি। অসিগুম্বা ধাতুশিংনা ঈশিংদা লৈরিবা জীবশিংদা নত্তনা ঈশিংসিবু থক-চাবদা শীজিন্নরিবা মীওইবদসু পোইজনিং থোকহন্দুনা লায়না কয়ানা নাহল্লি অমসুং মীওই কয়াগী পুন্সিবু খাঙুথক্তা মাঙহল্লি। মোৎলবা ঈশিংদগী অসিগুম্বা ধাতুশিংবু লৌথোক্লবগী হৌজিক শীজিন্নরিবা পাম্বৈশিংগী মনুংদা কেমিকল প্রিসিপিটেইসন, আইয়ন-এক্সচেইঞ্জ, ইলেক্ট্রোদাইএলিসিস অমসুং মেম্ব্রেইন প্রোসেসশিং পনবা য়াই। অদুবু হায়রিবা পাম্বৈশিংসিগী খুদোংচাদবা কয়ামুক লৈরি: সেকেন্দরি পোল্যুসন থোকহনবা, রিজেনেরেসনগী মথৌ তাবা অমসুং এনর্জি ইনপুট চঙবা; মখোয়সিনা থক্লবা ঈশিং শেম শাবদা শেল হেন্না চঙহন্দুনা লোং-টর্ম সষ্টেনেবিলিটি লৈহন্দে।




এক্তিভেটেদ কার্বনগা পুনশিন্নহল্লবা এমিলোইদ ফাইব্রিলগী মেম্ব্রেইননা অমোৎপা ঈশিংদগী অরূম্বা ধাতুশিং লৌথোকপা মওং তাকপা

নানয়াং টেক্নোলোজিকল য়ুনিভর্সিটি (এন টি য়ু), সিঙ্গাপুর অমসুং ETH Zurich, Switzerland গী অপূনবা থিজিন-লূপ অমনা মনা-মশিংগী থাউ শুমখ্রবা মতুংগী লেমহৌখাকশিংনা ফিল্টর/মেম্ব্রেইন অমা শাদুনা অরূম্বা ধাতুশিংবু ঈশিংদগী লৌথোকপা ঙম্লে হায়রি। স্কুল ওফ মেটরিএলস সাইন্স এন্দ এঞ্জিনিয়রিং অমসুং স্কুল ওফ বাইওলোজিকল সাইন্সেসকী প্রোফেসর Ali Miserez অমসুং ETH জ্যুরিক্কী দিপার্টমেন্ট ওফ হেল্থ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী প্রোফেসর Raffaela Mezzenga না লুচিংবা লূপ অসিনা লৈবাক হৱাই নৎত্রগা নুমিৎলৈদগী থাউ শুমখ্রবা মতুংগী লেমহৌখাক্তগী ফংবা প্রোটিনশিংনা অরূম্বা ধাতুগী আইয়নশিংবু মপূং ফানা চিংনিবা ঙম্মী হায়বসি খঙবা ঙম্লক্লম্মী।



(ওইরোমদগী) Professor Rafaele Mezzenga, Professor Ali Miserez অমসুং পি ঐচ দি মহৈরোয় Soon Wei Long

পাঙথোকখিবা চাংয়েংশিংদা, এদজোর্বসন হায়না খঙনবা, চিংশিন্দুনা নপশিনহনবগী থৌওং অসিনা মোৎলবা ঈশিংবু শেংদোকপদা ইন্টরনেসনল দ্রিঙ্কিং ষ্টেন্দর্দ য়ৌনা শেংহনবা ঙম্বা থেংনরম্মী। লূপ অসিনা পুথোরক্লিবা মেম্ব্রেইন অসি মমল হোংবা, মৈ ইচা চাদবা, সষ্টেনেবল ওইবা অমসুং লার্জ স্কেলদা পুথোকপা য়াগদবা পাম্বৈ অমসু ওই হায়রি। থিজিনখিবা অসিগী মতাংদা 'কেমিকল এঞ্জিনিয়রিং জর্নেল" (এপ্রিল, ২০২২) দা ফোঙদোকখিবনি। থিজিনখিবা অসি 'নানয়াং টেক্নোলোজি য়ুনিভর্সিটি ২০২৫ ষ্ট্রাটেজিক প্লান' গী মখাদা ৱাটর সিক্যুরিটি পুরক্নবগী পান্দমদা পায়খৎলকখিবনি।

হৌজিক কৈথেলদা ফংলিবা মনা-মশিংগী থাউশিংসি শুম্বা লোইখ্রবা মতুংদা ওইলসীদ মিলশিং লেমহৌই। মখোয়সি পাম্বীদুদগী থাউ শুমদোকখ্রবা মতুংদা লেমহৌবা প্রোটিন মরাং কায়না য়াওবা পোৎশিংনি। এন টি য়ুনা লুচিংখিবা থিজিন-লূপ অসিনা নুমিৎলৈ অমসুং লৈবাক হৱাইগী থাউগী ওইলসীদ মিলশিং শীজিন্নখি। ওইলসীদ মীলশিংদগী প্রোটিনশিং লৌথোক্লবা মতুংদা, লূপ অসিনা মখোয়দুবু য়াম্না কন্না ফাজিন্নরবা প্রোটিনশিংনা শেম্বা থৌরি মানবা, নানো সাইজগী প্রোটিন এমিলোইদ ফাইব্রিল (amyloid fibril) শিংদা ওন্থোকই। অসিগুম্বা প্রোটিন এমিলোইদ ফাইব্রিলশিং অসিনা অরূম্বা ধাতুশিংবু চিংশিল্লি অদুগা মোলিক্যুলর সিভ (চাজুমগুম্বা) অমা ওইনা মথৌ তৌদুনা অরূম্বা ধাতুগী আইয়নশিংবু ফাজিন্দুনা থমহৌবা ঙম্মী।

ওইলসীদকী কিলোগ্রাম অমনা প্রোটিন গ্রাম ১৬০ মুক ফংহনবা ঙম্মী। থিজিন চেরোল অদুবু হান্না ইখিবা এন টি য়ুগী পি ঐচ দি মহৈরোয় Mr Soon Wei Long না ফোঙদোকপগী মতুংইন্না প্রোটিন মরাং কায়না য়াওরবা নুমিৎলৈ অমসুং লৈবাক হৱাইগী মীলশিংসি মমল হোংবা রো-মেটরিএলশিংনি, অদুগা মখোয়দগী মথৌ তৌবা ঙম্বা এমিলোইদ ফাইব্রিলশিং শুংদোকপা অমসুং সেল্ফ-এসেম্বল তৌহনবা য়াই। অসুম্না ফংলক্লিবা এমিলোইদ ফাইব্রিলশিংগা ফিলত্রেসন মেটরিএল ওইনা তোয়না শীজিন্নরিবা, এক্টিভেটেদ কার্বনগা পুনশিন্নহন্দুনা হায়ব্রিদ মেম্ব্রেইন অমা শেম্মী। অসিগুম্বা হায়ব্রিদ মেম্ব্রেইন অসিবু প্লাটিনম, ক্রোমিয়ম অমসুং লেদ (মিসি) য়াওরবা ঈশিংদা চাং য়েংখি।

মোৎশিল্লবা ঈশিং অদুনা মেম্ব্রেইন অদুবু ফাওদুনা চেনখিবা মতমদা অরূম্বা ধাতুশিংদুগী আইয়নশিংনা এদজোর্বসন হায়রিবা থৌওংদুগী মতেংনা এমিলোইদ ফাইব্রিলশিংদা নপশিল্লকই। এমিলোইদ ফাইব্রিলশিংগী সর্ফেস-টু-ভোল্যুম রেসিও ৱাংবসিনা অরূম্বা ধাতু ময়াম অমা এদজোর্ব তৌশিনহনবা ঙমহল্লি। লূপ অসিনা পাঙথোকখিবা চাংয়েংশিংদা মখোয়গী মেম্ব্রেইন অসিনা অরূম্বা ধাতুশিংগী ৯৯.৮৯% ফাওবা ফিল্টর তৌবা ঙমখি। অরূম্বা ধাতু অহুমসিদা পাঙথোকখিবা চাংয়েংশিংদা, ফিল্টর অসিনা মিসি অমসুং প্লাটিনমবু লৌথোকপদা হেন্না কান্নহনখি, অদুগা ক্রোমিয়মদনা খজিক্তং হন্থখি।

লূপ অসিগী ফিল্টর অসি অরূম্বা ধাতুশিংখক্তা নত্তনা, কঞ্জ্যুমর অমসুং ইন্দষ্ট্রিএল প্রদক্টশিংদা য়াম্না শীজিন্নবা কেমিকলশিং ওইরিবা, PFAS (perfuoroalkyl) অমসুং polyfluoroalkyl substance) কুম্বা ওর্গানিক পোলুটন্টশিংবুসু ফিল্টর তৌথোকপা ঙম্মী হায়না Prof Miserez না হায়রি। মোৎলবা ঈশিংদা য়াওরিবা অরূম্বা ধাতুশিংগী কুংবগী চাংদুনা ফিল্টর অসিনা ঈশিং কয়া য়াম্না ফিল্টর তৌথোকপা ঙম্বগে হায়বদু তাকপা ঙম্মী। নুমিৎলৈগী প্রোতিন এমিলোইদশিংনা শেম্বা হায়ব্রিদ মেম্ব্রেইন অমনা মিসিগী ৪০০ পার্টস পর বিলিয়ন (ppb) য়াওরবা ওলিম্পিক্তা শীজিন্নরিবা স্বিমিং পুল অমগা চাওবা মান্নবদা লৈবা অমোৎপা ঈশিংবু থকপা য়ারবা ঈশিংদা ওন্থোকপদা প্রোতিন কিলোগ্রাম ১৬ খক্তমক চঙই হায়বা ৱাফমসু মহাক্না পল্লি।

অসুম্না নপশিল্লক্লিবা ধাতুশিংসি লৌথোক্লগা রিসাইকল তৌবা য়াই। ফিলত্রেসন তৌরবা মতুংদা, মেম্ব্রেইন অদু মৈ থাদোকখ্রগা ধাতুশিংদু লৌথোকপা য়াই। মিসি নৎত্রগা সনাহীদাক (মর্ক্যুরি) কুম্বদি হু চেল্লি অদুবু শাফবা মওংদা মফম চানা থমখিবা য়াই অদুগা প্লাটিনমগুম্বা ধাতুশিংদি ইলেক্ট্রোনিক্স অমসুং অতোপ্পা সেন্সিটিভ ওইবা খূৎলায়শিংদা শীজিন্নে, অদুনা মমলসু তাঙই। অসুম্না, কিলোগ্রাম ৩২ অদুগা কিলোগ্রাম অমদা য়ু এস দোল্লর ৬০,০০০ মুক ওইরিবা মমল তাঙলবা সনা লৌথোকপদনা প্রোটিন কিলোগ্রাম ১৬ খক্তমক চঙই। লূপ অসিগী প্রোটিন অসি অরেম-অখাক ওইরবা পাম্বীদগী ফংবনিনা, মসিগী মমলসি কিলোগ্রাম অমদা য়ু এস দোল্লর ১ গুম্বদনি, অদুনা শেন্দোং য়াম্না লৈবসু ওইগনি হায়রি।

অরেম-অখাক ওইরবা থাউ থোকপা পাম্বীশিংগী প্রোটিনদগী শেম্বা ফিল্টর অসিগী হেন্না খুদোংচাবা অমনা ফিলত্রেসনগী থবক অসি পাঙথোকপদা ইলেক্ট্রিসিটি য়াওদ্রবসু য়াবা, করিগুম্বা য়াওবা তারগসু য়াম্না হন্থবা চাংদনি। হৌজিক শীজিন্নরিবা রিভর্স ওস্মোসিস (আর ও) গুম্বা পাম্বৈশিংদদি ইলেক্ট্রিসিটি চঙই। মরম অসিনা ফিলত্রেসন মখল অসি ইলেক্ট্রিসিটি মরাং কায়দবা মফমশিংদসু য়াম্না কান্নবা মওংদা শীজিন্নবা য়াগনি হায়রি। ●

# লেন্দস্লাইদনা শান্নরোয়শিং মনিং থুংদবা

**- লৈশাংথেম অজিৎ -**

মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা নেসনল চেম্পিয়নশিপশিংদা শরুক য়ারুনবা হন্দিয়াগী মফমশিংদা মরু ওইনা সহরশিংদা চৎপা মতমদা ইম্ফালদগী দিমাপুর ফাওবা নেসনল হায়ৱেদা বসতা চৎলি। মফম অসিদগী (দিমাপুরদগী) রেল গাড়ী তোংলগা ইন্দিয়াগী মফম শিনবা থুংনা চত্তুনা মশান্না কয়াদা শরুক য়াদুনা ষ্টেট অসিগী মীংচৎ পুরকই। চহী খরগী মমাঙদা রেলৱেজগী টিকেট রিজার্ভ তৌবা অসি দিমাপুরদা নুমিৎ হুমনি/মরিনিগী মমাঙদা চৎলগা তৌই নৎত্রগা হপ্তা অমা/অনীগী মমাঙদগী হৌনা চৎপসু য়াওই। হৌজিক্তি ইম্ফালদা মণিপুর ষ্টেট ত্রান্সপোর্ট কোর্পোরেসনগী ওফিসতা রেলৱেজগী রিজার্ভ তৌনবা কাউন্টর অমা লৈরে।

ফুটবোল, হোকি, ক্রিকেট মশান্নশিংদি টিম অমা নেসনল চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াবদা শান্নরোয়, কোচ, ডাক্তর, হকচাং নোইনবা মী, মেনেজরনচিংবা পূন্না মী কুন্থ্রা রোম ওইগনি। অদুবু জুনিয়র, সব জুনিয়র, য়ুথ, সিনিয়রনচিংবা নুপা নুপীগী তোঙান তোঙানবা চহী খায়দোক্লগা পাঙথোকপা চেম্পিয়নশিপ্তুদি শান্নরোয় অমসুং ওফিসলগা পূন্না মীওই ১৫০ রোম ওইগনি।

মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা নেসনল চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াবা চৎপদা ইম্ফাল-দিমাপুরগী লম্বীদা লেন্দ স্লাইদ তৌবা মরম্না খুদোংচাদবা কয়া অমুক থোকখিবগী ৱারমশিং ঐখোয়না খঙনরে। ইম্ফাল-দিমাপুরদা লেন্দ স্লাইদ তৌবা মরম্না শান্নরোয়শিংনা দিমাপুরদা মতম চানা ত্রেন ষ্টেসনদা য়ৌবা ঙমদবা মরম্না ত্রেন তোংবা ফংদদুনা শান্নবা ফংদবগী ময়ূমদা হল্লকখিবা শান্নরোয় কয়া অমুক য়াওখ্রে। করিগুম্বদা লেন্দস্লাইদ তৌফমদগী কিলোমিটর মঙারোম চৎলবসু দুকান অমদি হোটেল লৈতবা মরম্না বস তোংদুনা লাকপশিং অদু অৱাবা কয়া থেংনখি। মসিগী মথক্তা গুৱাহাটি মেদিকেল কোলেজ অমসুং দিব্রুগর মেদিকেল কোলেজদা লায়েংবা লাকপা অনাবশিং অৱাবা তাখিবনা অয়াম্বনি।

মণিপুরদা লেন্দস্লাইদ অসিবু 'স্লিপ তাবা' হায়না খঙনৈ। দিমাপুর লম্বী কোহিমা ময়াদা স্লিপ তাদুনা পোৎকী মমল খ্বাইরম্বদগী দুকানশিংদা হেনগৎখ্রে হায়বা অসি মণিপুরগী অহল লমনশিং অসি মমাঙৌদগী হৌনা মখোয়গী চিনফানি। দল্লিয়ু শার্পনা হায় মদুদি রোক অকায়বা মখল কয়া অমবু ওন্থরকপা অদুবু লেন্দস্লাইদ হায়বা অদুনি। লেন্দস্লাইদ অসিবু অখণ্ড অহৈশিংনা Slump, Debris, Slide, Debris flow rock slide অমসুং Rock fall হায়না চাওরাক্না মখল মঙা থোক্না খাইদোকই।

কুমজা ১৯২৫দা য়ু এস এগী ৱয়োমিং ষ্টেটকী Gros Ventre হায়বা মফম অদুদা থোকখিবা লেন্দস্লাইদ অদুগা অলর্বট টর্টল মাউন্টেনগী ফ্রেঙ্ক কৌবা মফমদা কুমজা ১৯০৩দা থোকখিবা অদুগা অঙকপা অমদি অকিবগী থৌওং অমনি হায়রি।

Gros Ventre দদি ক্যুবিক য়ার্দ (গজ) ৫০,০০০,০০০ (কোটি মঙা) লূম্বা চীংলৈবাক অমা অঙম্বদা শিৎথরকখি/নান্থরকখি। মসিদা Worcester কৌবা জিওলোজিষ্ট অমনা কুমজা ১৯৩৯গী মতমদা অসুম্না হায়খি মদুদি থৌওং অদু রোক ময়াম অমগা রোক অকায়বা ময়াম অমগা অঙম্বদা নান্থরকপনি।

টর্টল মাউন্টেনগী অকায় অতোয় নান্থরকপা অসিনা মীওই ৭০গী মপুন্সি মাঙহনখি। মসি স্প্রিং থাদা য়াম্না থোক্কল্লি। মরমদি মতম অসিদা উন অমুক ফমজিনবা অমুক শৌদোকপননি। হায়বদি অমুক ঈংবা অমসুং অমুক শাবনা মরম ওইহনবনি। নূঙজাওশিং মচেৎ মচেৎ কায়না তারবসু মচেৎশিং অদু থোইদোক্না চাওবা মরম্না চীংদগী ওন্থরক্তুনা মীগী পুন্সি মাঙহনবা অমদি য়ূম-কৈ, ইঙ্খোলগী মনা-মশিং মাঙহল্লি। অচৌবা ওইরবসু অপিকপা ওইরবসু লেন্দস্লাইদশিং অসি য়াম্না অঙম্বা মফমদা ওইগল্লি।

লেন্দস্লাইদ অসি অঙম্বা মফম অদু উন্না নৎত্রগা তুরেলনা চাশিল্লকপদগী তৌবনি হায়রি। মসিগী মথক্তা য়ুহার হাবা, লৈনুংদা ঈশিং য়াম্না চঙখিবনচিংবা হীরম কয়ামুক্না থোকহনবনি। মালেমগী লৈমায়দা লৈরিবা অতোংবা শরুক্নচিংবা অসি Erosion না মরম ওইরগা নেমথহল্লি অমদি অরুবা ঈশিংগী শরুকশিংবুসু তপ্না তপ্না ফুমজিল্লক্তুনা থেনজিল্লকই।

অচৌবা চীংশাং অমদি অপীকপা চীংশাং অয়াম্বা Faulting দগী অয়াম্বা ওইনা অমেরিকাগী অইবা খরনা হায়রি। মখোয়না হায়বদি অৱাং অমেরিকাগী কালিফোর্নিয়াগী মাইল ৪০০ শাংবা সিয়রা নেভেদা চীংশাং অসি তুরেলশিং অমসুং গ্লেসিয়রশিংনা চাথৎলি/ককথৎলি। অমরোমদা আইস কেপশিং অসি য়াম্না ঈংবা অমসুং মতম কুইনা ফমজিন্দুনা লৈরবা ঈশিংনা ওইরকপনি।

চীংজাওশিং অসি টেক্টৌনিক প্লেটশিংগী অরোইবা মপান্দা ৱাংখৎলকপনি। মসিগী খুদম ওইনা হিমালয়া অসিসু অমনি হায়না মমাঙদা থমজখ্রে। টেক্টৌনিক প্লেটশিংগী ময়ায়দা মালেমগী মনুংদা মৈশা য়াম্না কল্লি। মসিবু হোট স্পোট হায়না খঙনৈ অমসুং মসিনা মৈগী চীং (ভোলকেনো) ওইরকই। হাৱায়গী ঈথৎশিং অসি অসুম্না মৈগী চীংনা ওইখিবনি।

য়ু এস এগী San Juan Mountain কোলোরেদো ষ্টেটতা লৈবা চীং অসি লাভা অমসুং ভোলকেনোগী উৎশিংনা শেমখিবা/ওইরকখিবা চীংনি। মসি অহানবদা য়াম্না ৱাং চাওরম্মী, ইরোজননা পীকশিনখিবনি। লেন্দস্লাইদ অসি সেদিমেন্টরি রোক্না শেম্বা চীংশিংদা নোং মরাং কায়না তাবা মতম অমদি চীংশাং মনুংদা ঈশিং য়াম্না চঙখিবনসু অয়াম্বা ওইগল্লি। ●